**Shikshan Sanshodhan** : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 9.134
Volume - 9, Issue - 6, June - 2026

DOIs:10.2018/SS/202606015 --:-- Research Paper / Article / Review

# কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী অঙাংগী শৈরেংদা মীৎয়েং অমা

**Kh. Anjana Devi**
Assam University, Silchar
Email: anjanadevi2792@gmail.com

**এবস্ট্রেক্ট:** অঙাংগী সাহিত্য হায়বসি অঙাংখক্তদা মীৎয়েং থমদুনা মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েংগা চান্নবা মওংদা ইরকপা মখলগী খূৎই অদুবু খঙনৈ। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্র সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা লমদা খূৎ থারমবত নওনা অঙাংগী সাহিত্যদসু শৈরেং লাইরিক অমা খুদোল তৌবীরম্মী। লাইরিক অসি মহাক্না অঙাংগী ৱাখল্লোন্দা মীৎয়েং থম্লগা অঙাংশিংগীদমক *সনা কৈথেলগী লাইফদবী বাই তোনু দেবী* মিংথোন্দুনা খৃঃ কুম ১৯৯৯ দা ফোঙখিবনি। মসি শৈরেংগী খূৎইদা লৈজরবসু অপাবশিংদা ৱারী ওইনা লীবনি। লাইরিক অসিদা অইবনা তাঙ্কক মরি থোকনা খায়দোক্তুনা তোনু কৌবী লাইফদবী শাদুনা হিংজবী নুপী অমনা মহাক্কী পুন্সিদা থেংনরিবা থৌদোকশিং অমদি মহাক্কী পূক্লিংদা ফাওখিবা ইহুলশিং ৱারী ওইনা লীদুনা শৈথারকপনি। ৱারীগী তাঙ্ককশিং শৈরেংগী মওংদা ইচম চম্বা অমসুং অতেনবা ৱাহৈ পরেং শীজিন্নদুনা অঙাংশিংদা য়াম্না লায়না মণিপুরগী কলা সংস্কৃতিগী মশক, নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম অমদি লানগী ফিভম উৎতুনা মতম অদুগী সমাজগী মশক অমা অঙাংশিংগী মিৎমাংদা শাগৎলক্লবা হোৎনরকই। অইবনা শাগৎলকলিবা ৱারী অসি লাইথিগী ৱারীদা থমদুনা অঙাংশিংনা করম্না লাইথি শান্নবদা পুন্সিগী শক্লোনবু পানশিনবগে হায়বদু উৎনবা হোৎনৈ।

**মূল শব্দ:** অঙাংগী সাহিত্য, খূৎই, শৈরেং, লাইথি, কলা, সংস্কৃতি

**1.ৱাহৌদোক** : অঙাংগী সাহিত্য হায়বসি অঙাংগীদমক্তা খল্লগা ইবা মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েংগা চান্নহন্দুনা মখোয়দা নুংঙাইবা ফাওহনবতা নত্তনা ইনফোরমেশন অমা পীবা ঙম্বা মখলগী সাহিত্যনি। মসিদা শৈরেং, ৱারেং, নোভেল, ড্রামা, ৱারীমচা অমদি লমকোয় ৱারীনচিংবা খুদিংমক কোনশিল্লি। অঙাংগী সাহিত্যদা অইবা অমনা অঙাংগী করেক্তর অদুদা পুক্লিং লুপশিন্দুনা মখোয়না খল্লমগদবা ৱাখল, শাগৎলমগদবা মঙলান ঙাংন-শক্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতা খুদিংমক্তা মীৎয়েং থম্লগা ইরকপা খূৎই অদুবুনি। মণিপুরদা অঙাংগী সাহিত্যসি কুনশুবা চহীচাগী থেংথরকলবা মতমদগী থোরকখিবনি হায়না লৌনৈ। মণিপুরদা অঙাংগী শৈরেংগী লাইরিক ওইনা থোরকত্রিঙৈ মমাংদা স্কুলগী তম্ন-লাইরিক্তা শরুক অমা ওইনা য়াওবা থেংনৈ। মথংদা তপ্পা তপ্পা লাইরিক ওইনা ফোঙনরকখিবনি। মণিপুরী সাহিত্যদা উবা ফংলিবা অঙাংগী শৈরেং লাইরিক্কী মশিংসি পংয়াম য়ামদ্রি খূৎ থেক্তুনা পাবা য়ারি হায়বা য়াই। মণিপুরী সাহিত্যদা উরিবা অঙাংগী শৈরেংশিং অয়াম্বা চহী ১২দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক্তনি। মণিপুরীদা অঙাংগী শৈরেং লাইরিক ওইনা খুদোল তমলকখিবা অইবশিংগী মনুংদা লাইশ্রম সমরেন্দ্রসু অমনি। মহাক্কী সনা কৈথেলগী লাইফদবী বাই তোনু দেবী হায়রিবা লাইরিক অসি অঙাংগীদমক খল্লগা মখোয়গা চান্নবা মওংদা ইরকপা লাইরিকশিংগী মনুংদা অমনি। লাইরিক অসি অইবনা খৃঃ কুম ১৯১৯দা ফোঙখিবনি

। লাইরিক অসিদা অইবনা অঙাংশিংগী পুক্লিং চিংশিন্নবগীদমক লাইয়েক য়াওহন্দুনা অমদি ইচম চম্বা অমসুং অরাইবা লোন শীজিন্নদুনা পুন্সিগী লাম্হৈংনরিবা শক্তম অমা কল্পনানা শাগৎতুনা উৎলকই।

**2.নৈনবা** : লাইরিক অসিদা অইবনা লাইফদবী তুদুনা কৈথেলদা য়োল্লিবী, লাইফদবী শাবদা মমিং চৎলিবী তোনু কৌবী নুপী অমগী শক্তম শাগৎলক্তুনা মহাক্কী মীৎয়েংদগী শৈরেংগী ফোর্মদা ৱারী ওইনা লীরকপনি। অইবনা লাইরিক অসিবু শরুক মরি থোক্না খায়দোকই। লাইরিক অসিগী অহানবা শরুক্তা তোনুগী পুন্সি মহিং, মহাক্না লাইফদবী তুবা, কৈথেলদা য়োনবা চৎপা, মহাক্কী লাইফদবী উবদা মীয়াম্না লুকমায় মপান্দা লেপতুনা মহাক্কী লাইফদবীগী ফজববু শোন্নবা, অঙাংশিংনা লাইফদবী লৈনবা নিংঙাই তৌবা, অঙাংনা পামজবা মতৌ উবদা তোনুনসু মমল থিনদনা পীখিবগী ৱারী য়াওরি। মখা চখরকপদা নোংমা তোনুনা শ্রীশ্রী গোবিন্দ খুরুম্বা চৎপদা নিংথৌগী মজাইবেম্মা লেঙথোকলম্বা থেংনরকপা মহাকপুসু কৌদুনা পানা মতপ লানবিরকখিবগী ৱারী লীরকই। অমুকসু রথ যাত্রাগী নুমিত্তা ভগবান জগনাথ, ময়াম্বুং ইবুংঙো বলভদ্র অমসুং মচল ইবেম্মা সুভদ্রানা লেঙথোক্লিবা কোনুংগী কাংদা কোইজম চাউবনা য়েকপা লাইশিংগী মরক্তা য়াওরিবা খম্বা অমদি ফৈরোইজাম্বনা খম্ব্রাংননা লেপতুনা পাম্বা কৈ ফাখিবগী শক্তম, লায়রবী খম্নুনা মশাবী ফৈরোইজাম্বদা পুকমেন পাওমেনজদুনা পানা খুদপ ইনবগী শক্তম অমুকসু কৃষ্ণবু পুদুনা মপাবুং বাসুদেবনা যমুনাগী মথক্তা মম্না চুবা নোংলক্তা অনন্তনা খল্লগা চেল্লকপা লাইশিংগী ফজরবা শক্তম উবদা তোনুদি তশেংনমক মীৎমাংদা থোকপা থৌদোক্লুম খনজদুনা মীৎতগী পী তাদুনা কপচখি। তোনুগী থম্মোয়দা ফাওখিবা ইহুলশিং অসিনা মতম অদুগী মীওইশিংনা ধর্ম্ম কর্ম্মবু লুনা লৌজবা, লাই তিনগী অমদি থায়নগী লৈম-নিংথৌগী ৱারীশিংদা পুক্লিং লুপচরম্বদু কবিনা ইরায় লায়না অপাবশিংগী মাঙদা লাম্থোক্তুনা উৎলকপা থেংনৈ। অমরোমদা তোনুবু লাইফদবী শাবদা মমীং চৎপগীদমক নিংথৌনা কৌখৎলগা বিলাটতা অথোই অহেন তানবা মেলা অমদা য়াওরুনবা হায়রম্মী। তোনুসু ৱাফম অদুবু য়াদুনা কোনুংগী লাইয়েকপা কোইজম চাউবগা মেলা য়াওবা চৎখি। বিলাটতা মেলা য়েংবা লাকখিবা মীয়ামদু উবদা তোনুদি ঙক্তবা ঙমখিদে। বিলাট সহরগী মেলাদা জাপানগী লাইফদবীগা মণিপুরগী লাইফদবীগা অথোই অহেন তান্নরকপদা মণিপুরগী লাইফদবীনা জয় ওইরে লাওথোরকপদা তোনু হরাওবগী ঙমখৈ লেখিদে মপুক্লিংদা গোবিন্দবু শোঞ্জখিবগী ৱাফম পল্লি। বিলাটতগী মায় পাক্লা হল্লকপদা এরোপ্লেন তাফমদা শ্রীযুৎনা লেঙথোরক্তুনা ওকপিরম্বা উবদা তোনুনা শ্রীযুৎকী সনা চরন্দা তুজখিবগী মতাংবু অসুম্না শৈথারম্মী :

> মণিপুর য়ৌবা নুমিত্তা মিটিং চাউনা তৌরমই
>
> মণিপুরশ্বর মহারাজনা মীয়ামগী মাঙদা লেপতুনা
>
> তোনু ঐবু ওকলমই।
>
> এরোপ্লেনদগী কুমথরগা চেনশিঞ্জেদো ঐহাক্না
>
> সনা চরন্দা তুজৈদো।
>
> জয় জয় লাউরকই জয় ওইরে মণিপুর জয় ওইরে মণিপুর
>
> অতিয়া অসি নিনখিদো।

(সমরেন্দ্র লাইশ্রম, সনা কৈথেলগী লাইফদবী বাই তোনু দেবী, লমায় ১২)

ISSN(o): 2581-6241
Impact Factor: 9.134

মতাং অসিদা কবিনা মতম অদুগী লৈবাক মীয়াম্না নিংথৌদা ভক্তি তৌজরম্বা, নিংথৌনসু প্রজাশিংবু ঙাকপী শেনবীদুনা লুনা চান্না নিংনরম্বগী মশক অদু অঙাংশিংদা খঙহন্নবা হোৎনরকই।

শৈরেং অসিগী অনীশুবা শরুক্তা কবিনা মণিপুরগী নিংথৌনা লৈখিদবগী মতাং শৈথারকই। লৈবাক মীয়াম অমদি লৈবাক্কী মাইবা মাইবী পুম্বনা মাইকৈ শলাই খঙদনা কোয়চেন চেন্নখিবা, মৈত্রবাক্কী নুপী পুম্বনা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বানদা তিনদুনা নিংথৌ লৈতবগী অৱাবা ফোঙদোকখিবগী শক্তম থারি। বৃটিশনা মণিপুরবু খূদুম চনশিনখ্রবা মতুংদা নরসিংহগী মশু শুথাং ওইরিবা চহী ৬তা ঙাইরিবা চুড়াচান্দবু নিংথৌ ফম হাপখিবগী ৱাফম অইবনা শৈরেংসিদা পুশিল্লকই। মখা চত্থরকপদা নিংথৌগী শ্রাদ্ধ নুমিৎকী নোংমা মমাং, কোনুং মমাংদা মজাইবুংঙো অতোম্বনা শজি অমোম লাবা অনী পুন্না লৈরিঙৈ শজি লাববু নোংমৈনা কাপতুনা হাৎখি। থৌদোক অসিদগী লৈবাক্কী মাইবা মাইবী অনীনা লৈবাকসিগী অৱাবা তারক্কদবা অদুগী ঈঙ্গিত ফংখি। চহীদুমক্তদা লৈবাক অৱাবা তারকপগী মশক, নোং চুরক্তবা, ঙা লৈরক্তবা, চেং তাঙবা, পান মাইরেন চাদুনা লেনবা, চরা নাম হেল্লগা পুন্সি হিংবগী ৱারী কবিনা শৈরেংসিদা পুশিল্লকই। মতাং অসিদা কবিনা কোনুংগী লাইয়েকপা কোইজম চাউবনা চরা হেনবগী অৱাবা কাওথোক্লবা পয়া শিদুনা ঈশৈ ঙংদুনা লেনবগী ৱারী মতেক অমসু হাপচিল্লকই। লৈত লায়রবনা খম থেংলবা কোইজম চাউবা খুদৈ অমত্তা শেৎলবসু, ফুরিৎ অমত্তা লিৎলবসু তরু তনান্না শেৎচবা লুবা নানবা পামজবা নুংঙাইথোকপা হৈবা মীওইনি হায়বদু তোনুনা ৱারী ওইনা লীরকই :

চাদবগী ৱাদেদো কোইজম তাদ চাওবদো।

... ... .........

তৌথোরকপা অমতং

মীনা ঙক্তবা লৈতেদো

লৈবাক মচানি হায়নৈদো

ঙাঙথোরকপা অমদা

মী ঙম্না তানৈদো

(সমরেন্দ্র লাইশ্রম, সনা কৈথেলগী লাইফদবী বাই তোনু দেবী, লমায় ১৫-১৬)

কোইজম চাউবগী ৱারীনা মতম অদুগী মৈতৈ খুনাইগী পুন্সিগী মশক অমা শাগৎলকই। অৱাবা কয়া মায়োক্লরবসু, থৌনা-লিংজেল লৈনা হিংবা মৈতৈ ফুরুপনি হায়বসি অঙাংশিংদা উৎননবা হোৎনৈ। ৱারবসু নংলবসু চাউবনা মঙোন্দগীমুক হেন্না নংবা অমগীদমক চেঙফুদগী চেং খোৎলগা পীথোকপা ঙম্বা, মীনুংশি চাওবা, লৈবাক মচা তাবা মতৌবু শৈথাদুনা অঙাংশিংদা মীনুংশি অমদি পুকচেল চাওবগী পরা অমা তম্বীনবা হোৎনরকই হায়বা য়াই।

শৈরেং অসিগী অহুমশুবা শরুক্তা চহী মরিফু তাল্লক্লবা অহল ‘দেখো’ হায়মনবদগী হিজম দেখো হায়না খঙনরবা লৈরেন্না মণিপুরদা জাপান লান য়ৌরকলগনি, বর্মা য়ৌনা তানশিল্লকলে, অঙ্গো চীংগী চীংমায়দা জাপান লান্মী ঙম্না পৈখরে তোনুদা পাউদম্মী। অমুকসু মণিপুরদা জাপানগী শাসন লাক্লবদি মণিপুরগী খুন্নাইরোল অমসুং পুন্সিরোলদা অহোংবা কয়া লাক্লগনি হায়রকপদা তোনুনা তানিংদদুনা চেল্লি :

জাপানগী শাসন লাকলনি।

শূদনা চাবা য়াররোই।

লৌয়াম চাবা লৈররোই

ইখঙ খঙইদো মহাকনা

রেল ফাওরগনি মণিপুর

কুলি ওইরনি মৈতৈ মখে

হরাও কুম্মে লৈররোই

কাং জগোই শাররোই

তানীংদদুনা ঐহাক্তি থোইদিংজমদা চেল্লিদো।

(সমরেন্দ্র লাইশ্রম, সনা কৈথেলগী লাইফদবী বাই তোনু দেবী, লমায় ১৮)

মসিদা কবিনা বৃটিশকী মখা পোল্লবা মণিপুরদা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী শহুম ফংলক্কদবগী মমি তারকপা অমদি জাপান শাসন লাক্লবদি মণিপুরদা ওইরকপা য়াবা অহোংবশিং অদু শৈথারক্তুনা অঙাংশিংদা উৎপনি।

শৈরেং লাইরিক অসিগী অরোইবা তাঙ্কক, মরিশুবা শরুক অসিদদি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওনা মণিপুরদা য়ৌরক্তুনা মণিপুর পুম্বা অৱাবা তারকখিবগী শক্তম শৈথারকই। ইম্ফাল সহরদা বোম থাদরকপা, ইম্ফাল সহর মৈরী থোক্লা চাকলকপগী মশক, মৈত্রবাক্কী মীয়াম্না মাইকৈ খঙদনা চেন্নখিবগী মতাং অইবনা পল্লি। তোনুসু মচানিপা মণি অমদি মহাক্কী নুপানা ঙাইরমদুনা লান চেনবা য়াওখি। লৌবুক লমহাং, উমং ৱামং ফাওদুনা লান চেনখিবগী ৱারী অমদি চহী অমা চুপ্পা মীগী শাইজিন শায়াদা অফং-অফংবা চাদুনা পুন্সি লেনখিবগী মশক তোনুনা ৱারী ওইনা লিদুনা শৈথারকই :

চহী অমা খাঙলকইদো

মীগী শাইজিন শাইয়াদা

অফং অফংবা চাদুনা

থৱায় অসি হিংলকইদো

তৌফম খঙদনা লৈরকইদো

(সমরেন্দ্র লাইশ্রম, সনা কৈথেলগী লাইফদবী বাই তোনু দেবী, লমায় ২১)

কবিনা মতাং অসিদা অনীশুবা লাঞ্জাওগী চৈথেং ফংলবা মণিপুরগী প্রজাশিংনা লেনখিবা পুন্সি মরেল অদু য়াম্না চম্না, থোইদোক্লা নুংঙাইতবা মশক য়াওহন্দনা অঙাংশিংদা লাম্থোরকই। মতম অদুদা গ্রামাফোন শীজিন্নরম্বগী মশকপু কবিনা অঙাংশিংদা খঙহন্নিংবনা শৈরেংসিদা দুকান্দার ইবোচৌগী ময়ূমদা গ্রামাফোনদা ঈশৈ তান্নরম্বগী ৱারী য়াওহল্লি। মতম অদুগী য়াম্না মমিং চৎখিবা ঈশৈ— ঙসি ফাওবদা তাবুনুংগী ঈশৈ ওইনা শোন্নরিবা ঙাংবম নিমাইগী জাতি কৌবী শকহেনবী, লৈরাংলক্তগী অথোইবী অমদি চন্দ্রকলাগী ঈশৈ--- মলয়া নুংশিৎ নামিবা, চীক্লা নাপদা হুল্লিবী, ঈশৈশিং ময়াম্না য়াম্না পামজনা

তান্নখিবগী ৱারী য়াওরি। অমুকসু অঙাংশিংনা লাইফদবী শান্নবদা সমাজদা উরিবা চৎনরিবা চৎন-লোনচৎ খুদিংমক য়াওহন্দুনা শান্নবগী মশক অইবনা শৈরেংসিদা ময়েকশেংনা উৎলকই :

অঙাং নাৱা পুম্বনা তাইবং ৱাবু ঙাঙনৈদো
চৎনলোনবু লোম্নেদো
ঐগী লাইফদিবীগা।

(সমরেন্দ্র লাইশ্রম, সনা কৈথেলগী লাইফদবী বাই তোনু দেবী, লমায় ২৫)

কবিনা শৈরেংসিদা অঙাংশিংনা লাইধি শান্নবগী কলচর অসি তাকপতা নত্তনা মণিপুরদা লাইধিবু কয়াম লুনা লৌনবগে হায়বদু অঙাংশিংদা খঙহন্নবা হোৎনবনি। লানগী অৱাবা চৈথেং কয়া নংলবসু লমদমসিগী মীওইশিংনা জগোই-ঈশৈ পামজরম্বগী মশক, লিকোন শান্নরম্বগী মশক অমদি মোইরাং লাই খুরুম্বা চৎনরম্বগী মশক কবিনা শৈরেংসিদা পুশিল্লকই। অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদগী মণিপুরদা থিকাগী চৎনবী লৈরকপা অমদি মখোয়না পৈশা পুথোক্তুনা থোক লীলা তৌবগী মশকসু কবিনা শৈরেংসিদা শৈথারকই :

থিকাদারদি অমনা
কেপস্তেন উপু অমদা
তরাগী চেনা চমইদো
থিকাদারগী পৈশানা
থোক লিলা তৌইদো
খুত্তামচা য়াওইদো।

(সমরেন্দ্র লাইশ্রম, সনা কৈথেলগী লাইফদবী বাই তোনু দেবী, লমায় ২৬)

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওনা মণিপুর য়ৌরকপদগী বৃটিশনা মখোয়গী লান্মী চৎথোক চৎশিন, পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচানবগীদমক মণিপুরগী লন্মী থোং শেমগৎলকপা, শেল পায়বা থিকাদারনা শেলবু হোংনা চাউনা শীজিন্নরকপা, নাকন অমরোমদা লান নংলবসু হারাও-কুম্মৈদি লেপখিদবা, নুংঙাইথোকপা পামজবা। থৌনা লিংজেন লৈবা লমদম অসিগী মীয়াগী পুন্সিরোলবু অইবনা শৈরেংসিদা য়াম্না চম্না অলাইবা লোন শীজিন্নদুনা লাম্থোরকই।

**3.ৱারোইশিন :** অইবনা ৱারীগী তাঙ্ককশিং শৈরেংগী মওংদা তেন্না তেন্না হাপতুনা ইচম চম্না পাউদমলবসু মতম অদুগী সমাজগী মশক অমা শৈথারকই অদুতসু নত্তনা মতমদুগী কলাগী মশকসু হাপচিন্দুনা অঙাংশিংদা খঙহন্ননবা হোৎনরকই। শান্নপোৎ শাবদা লাইফদবী অমদি উগী গাড়ি, শগোল, শামু অসিনচিংবা লোয়ননা লাই য়েকপা, মোদর্ন শোংগী দিক্স রেকোর্দ থোকলকপা অমসুং শুমাং লীলানা হৌরকপা হায়রিবা আর্ট ফোর্ম অসিগী মরমদা অইবনা উৎননবা হোৎনরকই। অসিতসু নত্তনা নিংথৌগা কলাকারগা লৈনরিবা ফজরবা মরীসু অইবনা শৈরেং অসিদা পুশিল্লকই। মতম অদুগী প্রজাশিংনা নুংঙাইনা পাল্লম্বা, শুবা-নোম্বা কনবা, চাবা-থকপা ৱাৎতবা, হরাও-কুম্মৈ পাম্নরমবগী মশকসু অইবনা তোনুগী ইমুংদা শাগৎতুনা

হাপচিল্লকই। সমরেন্দ্রনা অসিগুম্বা মণিপুরগী আর্টকী মরমদা য়েংশিন্দুনা পুশিল্লকলবসু অঙাংগী ওইবা, মখোয়না হৈনজবা পামজবা অদুনা হেন্না উৎন্নবা হোৎনরকই। হেন্না অরুবা মতাংদি পুশিল্লকপা নৎতে। ইচম চন্না তোনুগী শক্তম লৌদুনা মহাক্কী মীৎয়েংদগী মণিপুরগী পুৱারীগী মশক অমা অঙাংশিংদা খঙহন্নবা হোৎনবনি হায়বা য়াই।

**মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং :**

১) ইবোপিশক থাংজম, ইবোমা য়ুমলেম্বম (এদিটর), লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী অপূনব্য লাইরিক, ইম্ফালঃ পোরুফম পরিকেসন, ২০১২।

২) তোম্বী সিংহ নোংমাইথেম (নোংমাই পণ্ডিত), রাহৌদোক অমসুং অতৈ ৱারেং খরা, ইম্ফালঃ রিন্দা পত্রিকেসন, ২০১৭।

৩) ব্রজেশ্বর এস, অনৌবা মণিপুরী কবিতাগী শক্লোন, অনীশুবা ফোঙবা, ইম্ফাল: ১৯৯৬।

৪) শরতচন্দ্র লোও-জোম্বা, ৱারেং শৈরেং খরগী নৈনবা মশক, ইমলঃ রিন্দা পরিকেসন, ২০১১।